# ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎপা অমসুং মসিগী রোল

**- যুগোল সাই -**

ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎখিবা চহী চান্মা শুরকপা অসিনা মতম অসিগী ইন্দিয়াগী মীংচৎ লৈরবা পুৱারীগী লমাই অমা শেল্লে- তমথীনা শোক্লখিবা ষ্ট্রগলশিং, নীংতম্বা ফংনবা থেংনখিবা লান্দা মশীং থিঙমদ্রবা রিভোল্যুসন্নরিশিংনা পাক চাউনা কত্থোকখিবা অমসুং মতুং তারকপদা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা মীয়ামগী ইস্যুশিংদা মতিক মগুন লৈনা কান্নবা ফংহনখিবা লৈখ্রে। হেক হৌবদগী হৌনা, কম্যুনিষ্টশিংনা চৎলিবা মতম অসিগী চাওখৎ খোঙথাংশিংদা বিজ্ঞানিক ওইবা মেটেরিএলিষ্টকী নৈনবা পীখি অমসুং মীয়াম্না হিংবগী পুন্সিদা চাওখৎপা পুরক্লবা অমসুং নীংতম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্দা অফবা পুরক্লবা অনীমক কোকহন্নবা চঙশিনখি। মসি সেক্যুলার দেমোক্রেটিক রিপব্লিক অমগী মীৎয়েংদা য়ূম্ফম ওইখি, মদুদি মতুং তারকপদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লোনগী নীংতম্বদগী ওইথোকপা য়ানা সোসিএলিজমগী মখাদা ঐখোয়গী মীয়াম পূম্নমক শেন্মীৎলোন্দা নীংতম্বা ফংনবা তানবা ওন্থোকখি।

কম্যুনিষ্টশিংনা মতেং পাংখিবা ইনাক খুল্লবা অকুপ্পশিং, মসিনা হেক শেমগৎপা হৌবদগী চহী চান্মগী শাংলবা থৌরমশিং চহী চূপ্পা অসিদা পাঙথোক্তুনা থল্লগনি। মরম অদুনা মগুন লৈবা ইস্যুশিং খরা ঐখোয়না পুথোক্লি।

অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মমাঙ অমসুং মনুংগী চহীশিংদা লৈবাক্কী নীংতম্বগী ঈহৌগী মনুংদা মোদরেট ওইবা লুচিংবশিং অমসুং রিভোল্যুসন্নরিগী থাকশিংদা লৈবগী মরক্তা ষ্ট্রগল অমা লৈবা উখি। মসি ১৯১৭গী রুসিয়ান রিভোল্যুসন্না মায় পাক্লকপা অদুগী তাঞ্জাদা থোকখি, মালেম পূম্বদা লৈবা রিভোল্যুসন্নরিশিংদা তৌখিবগুম ইন্দিয়ান রিভোল্যুসন্নরিশিংদা মসিনা চাউনা ইথিল পীখি। ফেক্টরশিং অনী তিনশিন্নরকপা অসিনা ইন্দিয়াগী রিভোল্যুসন্নরি অয়াম্বা কম্যুনিষ্ট ওইরকখি।

ইন্দিয়ান রিভোল্যুসন্নরিশিং খরদি মালেমদা অহানবা প্রোলেটেরিয়ান রিভোল্যুসনগী লৈবাক অদু য়ৌনা য়াম্না খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরগা চৎখি। শাইদাংবা ইন্দিয়ান রিভোলুসন্নরিশিং অদুনা কুমজা ১৯২০গী ওক্টোবর ১৭তা টাসকেন্টতা ইন্দিয়াগী কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎনবা অহানবা থবক তৌখি। অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংবদা চাইথোক্তুনা লৈবা রিভোল্যুসন্নরি গ্রুপশিংনা মার্ক্সিজম - লেনিনিজমগী থবক্কী লৌশিং পীখি। বোম্বে, কোলকটা, মদ্রাজ অমসুং য়ু পি - পঞ্জাব রিজন্দা লৈবা মশীং য়ামদবা কম্যুনিষ্ট গ্রুপশিং কুমজা ১৯২৫দা কানপুরদা কম্যুনিষ্টশিংগী কনফরেন্স অমা তৌদুনা পুনশিনখি অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া অসি লৈবাক মনুংদা থবক তৌবা হৌখি। এম এন রোই অমসুং বৃটিশ কম্যুনিষ্ট লুচিংবা রজনি পাল্ম দত্তনা পীবা থিওরিটিকেল - আইদিওলোজিকেলগী লৌশিংনা ইন্দিয়ান কম্যুনিষ্ট কয়াগী লৌশিংগী মওং মতৌ শেমখি।

হেক শেম্বা হৌবদগী কম্যুনিষ্ট পার্টিনা লৈবাক্কী এজেন্দাদা ইথিন পীবা হৌখি। কুমজা ১৯২১দা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী অহমদবাদ সেসন্দা মৌলানা হাসরাট মোহানি অমসুং শ্বামি কুমারানন্দনা ৱারেপ অমা পুথোকখি মদুদি বৃটিশ লৈঙাক্তগী মপূং ফাবা নীংতম্বা তানবা অমা অদুবু গান্ধীজিনা য়াখিদে। মথংগী কুমজা ১৯২২দা গায়াদা ফম্বা এ আই সী সীগী মীফমদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক্কী ঈহৌ অদুগী পান্দমশিংগী চার্টর ওফ দিমান্দশিং য়েন্থোকখি।

চপশিন্না নমথরকপা : হেক হৌরকপদগী নিংথিজনা খোমজিল্লবা ইন্দিয়াগী কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা লৈখিবা হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওই হায়না বৃটিশনা উখি অমসুং কন্সপিরেসি কেসশিংগী পান্থে শীজিন্নরগা চপশিন্না নমথরকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯২২গী মে হৌরকপদা মীরৈবাক্তা শাইদাংবা মোস্কো য়ৌনবা হোৎনরুবা রিভোল্যুসন্নরিশিং অমসুং মোহাজিরশিংগী মায়োক্তা পেসৱার কন্সপিরেসি কেস মঙা পানখি, অদুদগী কুমজা ১৯২৩-২৪দা কানপুর কন্সপিরেসি কেস পানখি। ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈরুবা রিভোল্যুসন্নরিশিং কয়া হল্লকপদা অমসুং মনুংদা লৈবা লুচিংবশিং কয়া ফাখি অমসুং তমথীনা ওৎ নৈরগা জেলদা ফাদোক ওইনা থমখি। খরা ঙনখৎনা কুমজা ১৯১৫দা গাদর পার্টিগী ঈহৌদা শরুক ওইনা য়াওবা মখোয়না ইন্দিয়া অমসুং থংনবা খা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা হল্লকপদা লাহোর কন্সপিরেসি পানখি, ফাদোক তারবা মীওই ২৯১গী মনুংদা ৪২ হাৎপীখি অমসুং ১১৪না মপুন্সি চূপ্পা জেলদা থন্বীখি। কুমজা ১৯২৯গী মার্চ ২০দা মতিক মগুন লৈরবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা ৩১গী মায়োক্তা মীরুট কন্সপিরেসি পান্দুনা হেন্না পাক চাউনা নমথবা লাকখি। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসিনা ফাদোক্কী মতম লোইদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা হল্লক্লবা মতম অদুখক্তদা কুমজা ১৯৩৪দা ইন্দিয়া পূম্বগী পার্টি শেম্বা ঙমখি অমসুং মতম অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা চাংনাইনা থবক তৌবা ওইরকখি।

মীৎয়েংশিংগী লানফম : অপূনবা ইন্দিয়া অমসুং কন্সেপকী ষ্ট্রগল চংশিনবগী লম্বীদা মীৎয়েং অহুমগী মখা তাবা লানফম অমা থোরকখি। কোংগ্রেসকী মীৎয়েংদা নীংতম্বা ইন্দিয়া অমদা সেক্যুলর দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওইবগী মীৎয়েং থম্মী। কম্যুনিষ্টশিংনা মখোয়গী মীৎয়েং অসি য়াই লোয়ননা মখা চত্থরি মদুদি অসিগুম্বা দেমোক্রেটিক্কী কয়াৎ অসি কেপিটেলিষ্টকী লম্বীদা চংশিল্লবদি ঙাকপা ঙল্লোই। কম্যুনিষ্টশিংনা অসুম্না উখি মদুদি ঐখোয়না ফংলিবা লৈঙাক্লোনগী নীংতম্বা অদু ওইথোকপা য়ানা সোসিএলিজমগী মখাদা খুন্নাই - শেন্মীৎলোনগী লম্বীদা নীংতম্বা অদু ইন্দিয়ান খুদিংমক্না শাংথনা ফংবা ঙমগনি।

অনীমক্কী মীৎয়েং অসিগা য়ানদবা অহুমশুবা মীৎয়েং অমনা মরৈ তৌই মদুদি নীংতম্বা ইন্দিয়াগী লমচৎ অসি মীয়ামগী লাইনীং লম্বীনা লেপকদবনি। মসিগী মীৎয়েং অসি মায়কৈ অনীদগী ফোঙদোরকই - মুসলিম লীগনা ইন্দিয়া অসি 'ইস্লামিক ষ্টেট ওইগদবনি' অমসুং আর এস এসনা 'হিন্দুগী লৈবাক ওইগদবনি' হায়বা মীৎয়েংনি। অহানবগী কাঙবু অসিনা বৃটিশনা শিন লাংলগা অমসুং মতেং পাংলগা লাইবক থীবা লৈবাক তঙ্খাই তানা খাইদোকপদা মায় পাকহনখি, মদুগী মহয়শিং অদুনা ঙসি ফাওবদা থরুম তৌনবগী ফীভমশিংদা লৈহল্লে। মতুংগী কাঙবু অসিনা নীংতম্বা ফংবা মতমদা মখোয়গী অপাম্বা অদু ফংবা ঙমদবদগী অনৌবা মতম অসিগী ইন্দিয়া অসি অশাওবনা খাঙবা ঙমদ্রবা ফেসিষ্টকুম্বা 'হিন্দু রাষ্ট্রা' গী প্রোজেক্ট অদু পায়খৎনবা মখা তানা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ঈহৌনা আর এস এসকী মীৎয়েং অমসুং লৈঙাক্লোনগী প্রোজেক্ট অদু য়াদে হায়বা অশেংবা অসিদগী নীংবা কায়বা অদুনা মরম ওইরগা মহাত্মা গান্ধী হাৎপা অদু মমি তারি।

ঙসি তৌরিবা আইদিওলোজিকেলগী লানফমশিং অমসুং লৈঙাক্লোনগী খৎনবশিং অসি লম্বী, মীৎয়েং অহুম অসিগী মনুংদা থেংনবা লানফমনি হায়বসি ময়েক শেংলে।

লেফটকী রোল : অপূনবা ইন্দিয়া অমা লাকপদা লৈবাক্কী ঈহৌগী অরুবা ইস্যুশিংগী এজেন্দাদা ষ্ট্রগলশিং তৌবদা কম্যুনিষ্ট পার্টি য়াম্না মরুওইবা রোল শান্নখি। অহানবদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কম্যুনিষ্টশিংনা লমগী ৱাহংদা ষ্ট্রগলশিং কয়া চংশিনখি - কেরলাদা পুনাপারা ভায়ালার, বেঙ্গলদা টেভাগাগী ঈহৌ, অসামদা সর্মা ভেলিগী ষ্ট্রগল, মহারাষ্ট্রদা ৱার্লিগী ঈহৌ অসিনচিংবা টেলঙ্গানাদা খূৎলায় পায়দুনা চংশিনখিবা ঈহৌ - লেন্দ রিফোর্মগী ইস্যুশিং ময়ায়দা পুরকখি। মতুং তারকপদা জামিন্দারিগী চৎনবী মুত্থৎপা অমসুং লমগী শম্পতিশিং ফ্যুদেলগী খুবাম্লুংদগী মীওই ক্রোর কয়া নীংতমখি অমসুং নীংতম্বগী ঈহৌদা ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা লৈবা ওৎপীরবা মীয়াম চিংশিনবা ঙমখি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা লৈবা মীওৎ-মীনৈ তৌবা কাঙলূপশিংগা তিন্নবগী থৌরাং তৌখি।

অনীশুবদা, নীংতম্বা ইন্দিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙান্না লোন ঙাঙবশিংগী মীয়ামগী ষ্ট্রগলশিংদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মাঙজিন থাখি। অসুম্না মসিনা ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লোনগী মেপ্পা মরম চানা বিজ্ঞানিক অমসুং দেমেক্রেটিক্কী লম্বীশিংদা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌখি। ভীসালান্দ্রগী ষ্ট্রগলশিং, আইকিয়া কেরালা অমসুং সময়ুক্তা মহারাষ্ট্রা অসিনচিংবা কয়াশিংদা লৈবাক অসিদা লৈবা তোঙানবা লোন ঙাঙবা ফুরুপ কয়া চপ মান্নবা য়ূম্ফমদা অপূনবা ইন্দিয়া অমা লাক্লবা লম্বী শেমখি।

অহুমশুবদা, লেফটশিংগী সেক্যুলারিজমদা চপ চানা লেপ্পা অসিনা ইন্দিয়াগী অশেংবা শক্তাকপগী য়ূম্ফম ওই। থাঙ্গৈশেংবদা য়াম্না ঙল্লিঙৈগী কুমজা ১৯২০দা সী পি আই শেল্লবা মতুং য়াম্না থুনা পার্টিগী মীহুৎ অমা ওইনা কুমজা ১৯২০দা ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা হাৎনা-শুনবগী থৌদোক্তা এম এন রোইনা ইখি মদুদি ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা খায়দোক্লবা অসি কোকহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি শাগৈশিং অমসুং কম্যুনিতিশিংদা লৈরিবা থবক শূবা কাঙলূপকী মরক্তা লিংজেল মান্নবা পুরক্তুনা সেক্যুরিএলিজম অমসুং মীওৎ-মীনৈ তৌবা কাঙলূপশিংগী মায়োক্তা থেংনবা অদুনা ওইগনি।

খেন্নবা পাক চাউনা লৈবা ইন্দিয়াগী লিংজেল মান্নবা অসি খেন্নবগী মনুংদা লৈরিবা মান্নবগী লিপুনশিং অদু পাঙ্গল কনখৎহল্লবদি মান্নবা অদু ঙাকপা ঙমগনি অমসুং খেন্নবা লৈরিবা অদু মান্নহন্নবনি হায়দুনা নম্ফু হাফু শীজিন্নবা অদুনা ওইরোই। অসিগুম্বা মান্নহন্নবনি হায়দুনা নম্ফু হাফুগী থবক অসি কম্যুনেল ফোর্সশিংনা ঙসিমক চপ চানা চংশিন্নবা তৌরি। ইন্দিয়াগী খুন্নাইদা লৈরিবা খেন্নবা পূম্নমক অসি মান্নবা লিপুনশিংদা পাঙ্গল কলহনবা অসি অচুম্বনি, মসি লাইনীংগা মরী লৈনবদা য়াম্না মরুওই। ইন্দিয়া অসি অনী থোক্লা খায়দোল্লবা মতুংদা অমসুং তমথীরবা কম্যুনেলগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুংদা অপূনবা ইন্দিয়া অসিদগী সেক্যুলরিজম অসি খায়দোকপা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরকখি। সেক্যুলরিজম হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লৈঙাক্লোনগী লাইনীং লম্বীশিং অসি খায়দোকপনি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি ষ্টেটনা অকিবা পোক্তনা কনাগুম্বা মীওইশিংগী থাজবা অদু ঙাকপনি, মসিনা লাইনীং অমদা পামহন্নবা নৎত্রগা নমশিন্নবা তৌরোইদবনি। নীংতম্লবা মতুংদা থবক ওইনা চত্থরকখিবদা সেক্যুলরিজম অসি লাইনীং পূম্নমক্কী মান্নবা থাক্তা শন্দোকপা য়াবগী লম্বীদা হন্থরকখি। মসিগী মনুংদা লৈরিবা অসি মশীং য়াম্বনা নীংবা থাজবা লাইনীংগী মায়কৈদা য়েংলগা শাগৎপা য়াহল্লি। থাঙ্গৈশেংনমক মসিনা ঙসিদি কম্যুনেল অমসুং ফন্দামেন্টেল ফোর্সশিংগী চক্রিদা চপখাইহনবদা মতেং পাংবা ওইনা থোকহল্লে।

লৈঙাক পায়বা কাঙলূপশিং অমসুং কাঙলূপকী লানফমশিং থোরকপা : ইন্দিয়াদা লৈরিবা বুর্জ্জুৱা অসি খুদম পীবা য়ানা লোইলম লৈঙাকশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী চাওখৎলে, নীংতম্লবা মতুংদা মখোয়না কেপিটেলিষ্টকী লম্বীদা চাওখৎপা পুরকপদা খৌরাংবা লৈখি। লৈঙাক পায়বা কাঙলূপকী রোল লৌনবগীদমক লৌয়াম চাবশিংগা মরুপ শানরে অমসুং মখোয়দা পাৱর লাক্লবগীদমক ইম্পরিএলিজমগা কারার তৌনরে। নীংতম্বগী ঈহৌনা ইম্পরিএলিজম অমসুং ফ্যুদেলিজম অনীমক্তগী ইন্দিয়া অসি মপূং ফানা নীংতম্বগী থৌদাং লোইশিন্দ্রি হায়না মখোয়না মসি শোইদ্রে হায়না অসুম্না থাজহল্লে। মরম অদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা হায়রি মদুদি ইন্দিয়ান রিভোল্যুসন লোইশিনবগী দেমোক্রেটিক্কী তাঙ্কক অসি থৌদাং অহুমনি - এন্টি-ফ্যুদেল, এন্টি - ইম্পরিএলিজম অমসুং এন্টি-মোনোপোলি কেপিটেলনি।

লৈবাক মনুং অমসুং মপান্দা লৈবা কম্যুনিষ্টকী ঈহৌবু পামজবা কয়ামুক্না ৱাহং অসি পুখৎলক্লি । পার্টি অসি কুমজা ১৯২০দা লিং-খৎখিবনি অদুগা করিগী সোসিএলিজমগী পান্দম অসি হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রিবনো? চাওরাকপা মতম অমত্তদা শেমিন্নখিবা চাইনা, ভিএটনাম, কোরিয়াগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংনা মায় পাকপা ঙমখ্রগা, ইন্দিয়াদা মসি থোকহনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? থৱায় লুপ্পা নৎত্রগা কত্থোকপা ৱাৎপা অসিনা মদুগী পাউখুম নত্তে। অচৌবা কাঙলূপকী লানফমশিং লমজিংবদা, লৈবাক নীংতম্বা পুরকপগী মরমদা পাক চাউনা চত্থরকপদা অমসুং থবক শূবা শিন্মীশিং, লৌমীশিং অমসুং ওৎপী নৈবিরবা অতৈ সেক্সন মিলিয়নশিংগীদমক ঙাকথোক্লবা তৌবদা ইন্দিয়ান কম্যুনিষ্টশিংগী চাউথোকচনীংঙাই ওইবা রেকোর্দ লৈ। ইন্দিয়াগী রিভোল্যুসন্নরি ঈহৌদা খ্বাইদগী ফনা থংথরকপা অসি মখোয়না মহুৎ ওইরি।

মার্ক্সিজম - লেনিনিজম অসি অফবা বিজ্ঞান অমনি। মসিগী অহিংবা লমচত্তি, "মশক নাইনা লৈরিবা ফীভমশিং মশক নাইনা নৈনবনি।" লৈরিবা ফীভমশিং নিংথিজনা খঙদোক্তনা নৎত্রগা হোংলক্লিবা ফীভমশিংগা মরী লৈননা নৈনদ্রবা মতমদা, অশোইবশিং থোকই। ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ষ্ট্রগলদা কম্যুনিষ্টশিংনা মরুওইবা রোল শান্নবা মতমদা, চাইনা, ভিএটনাম অমসুং কোরিয়াগুম্না নীংতম্বগী লান অদুদা লমজিংবগী রোল লৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়ান রুলিং ক্লাসেসকী কাঙলূপকী লমচৎ অসিগুম্বা মশক নাইবা ফীভমশিংদা কম্যুনিষ্টশিংগী মরক্তা খেন্নবশিং লৈবা, ইন্দিয়ান রিভোল্যুসনগী লম্বী কদোমদা চৎকনি অসিনচিংবা অসিনা চহী কয়া অসিদা মখল কয়া খায়দোকখি। সী পি আই (এম) না ইন্দিয়ন রুলিং ক্লাসকী লমচৎ চুম্না নৈনবা অসিনা কাঙলূপকী লানশিংদা ইন্দিয়াগী অচৌবা মীয়াম সেক্সনশিং খোম্বা ঙমখি অমসুং অসুম্না নীংতম্বা ইন্দিয়াদা মকোক থোংবা কম্যুনিষ্ট ফোর্স ওইনা থোরক্লি।

পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং এক্সত্রা - পালিয়ামেন্টরি ষ্ট্রগলশিং পুনশিল্লগা, সী পি আই (এম) না লৈঙাক্লোনগী চাওখৎলকপদা অমসুং ইন্দিয়াদা লৈঙাক শাগৎপদা মগুন লৈনা ইথিল পীবা ঙল্লে। কুমজা ১৯৫৭তা কেরলাদা অহানবা কম্যুনিষ্টকী লৈঙাক শেমখিবা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লেফট ফ্রন্টকী লৈঙাক শেমখিবা অমসুং মমৈথংদা ত্রিপুরাদা সী পি আই (এম) না লুচিংবা লেফট ফ্রন্ট লৈঙাক শেমখিবা, ইন্দিয়ান পার্লিয়ামেন্টদা মসিগী রোল লৈবগী মথক্তা মতম অসিগী ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন ৱাংখৎহনবদা মগুন লৈনা মতেং পাংখি। অদুম ওইনমক হৌখিবা দেকেদ অমা অসিগী মনুংদা সী পি আই (এম) গী পার্লিয়ামেন্টরি ইথিল অসি খন্নবা য়ানা হন্থখ্রে। য়েৎলোমদা থৈজিনবা কাঙবুনা কম্যুনিষ্টশিং অসি খ্বাইদগী য়ানদবা লৈঙাক্লোনগী মায়োক্লবনি হায়বা মসিগী লৈঙাক্লোনগী প্রোজেক্ট অসিনা মরু ওইনা টার্গেট তৌই। মসি মী মশাদা এটেকশিং তৌবা, নমথবীবা অমসুং কিহন খঙহনবা অমসুং ঈ-নাই তাবগী লৈঙাক্লোনগী কলচর অমা থংথরকই। মসি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মতুং তারকপদা ত্রিপুরাদা তৌখি অমসুং হৌজিক্লা কেরলাগী এল দি এফ লৈঙাক মরা চেৎহন্দনবা, মায় পাক্তনবা থবকশিং চত্থরি।

অদুম ওইনমক, চপ মান্নবা তাঙ্কক অসিগী মনুংদা ওৎপী নৈবিরবা কাঙবুশিং খোমজিনবা, মরুওইনা থবক শূবা শিন্মী অমসুং লৌমীশিং খোমজিনবদা সী পি আই (এম) না মরু ওইবা ফোর্স ওইরি। মসিগী ষ্ট্রগলশিং অসিনা নেসনলগী থাক্তা মীয়াম্না খন্ন-নৈনবগী মুত্থৎপা ঙল্লোইদবা ইস্যুশিং কয়া মসিনা পুথোরক্লি অমসুং মখা তানা পুথদুনা চৎলি।

ঙসিগী শিংনরক্লিবশিং : কোর্পোরেটশিংগা কম্যুনেল ফোর্সকা চুংশিন্নরগা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রগা মীরৈবাক্তা লান্দাবগী নেসনেলিজমগী আইদিওলোজি অমা চাওখৎহন্নবা পাঙ্গল কন্না শনদারক্লি, 'নেসন' অমসুং মসিগী ইন্টরেষ্টশিং মীমদগী হেন্না লুম্না মথক্তা থাঙ্গৎলি, নেসনগী মীংদা মীয়ামগী দেমোক্রেটিক্কী হকশিং মৎপা য়াওনা মীয়াম্বু মসিদা কত্থোকউ হায়না দাবী তৌরি। ইকুই কুইদনা, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এক্ট (এন আই এ) শেমদোক্লবা লোক সভাদা খন্নবা মতমদা হোম মিনিষ্টরনা লাউ খোংদুনা ঙাঙখি মদুদি শেমদোকপা অসিদা অয়েৎপা পীবা কনাগুম্বশিং অদু টেরোরিষ্টশিং শৌগৎপনি অমসুং ঙাকথোকপনি। মসিগী য়াম্না কিনীংঙাই ওইবা শেমদোকপা অসিনা লন্নাই মীওইশিংগী দেমোক্রেটিক্কী হকশিংদা তমথীনা কিহনবা পোকহল্লে। বি জে পিগী লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা অমসুং মসিগী পোলিসিশিং য়ানীংদবা ফোঙদোকপা কনাগুম্বশিং অদু 'এন্টি নেসনল' ওই হায়বগী য়ূম্ফমদা ফাবা অমসুং পুনবা ঙমহল্লি - 'পুলিস ষ্টেট' অমগী আইন ওইরে।

ইকুই কুইদনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী ষ্টেটহুদ লৌথোকপীবা, ষ্টেট অদুগী মীয়াম ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বা, অসামদা এন আর সীগী ঈরাং অমসুং লেমহৌরিবা ইন্দিয়া পূম্বদা শাংদোরকপগী অকিবা লাক্লিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং অসি লাইনীং লম্বীগী য়ূম্ফমদা শমজিন্নরকপা, মুসলিমশিং য়াওহল্লক্তবা অসিনা ঙসি লৈরিবা সেক্যুলর দেমোক্রেটিক্কী চৎন-পথাপকী মথং মনাও অসিনা হিংখিগদ্রা হায়বগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবা পূম্নমক অসিনা থিন্দুনা তাক্লে।

য়েৎকী কাঙলূপ্না মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী চেৎশিন্নবা হোৎনরকপা অসিদা শিংনগদবা অসি লেফ্ট অমসুং লেফ্টতা ময়ায় ওইরগা লৈঙাক্লোন্দা মরা চেৎশিনবদগী লাক্কনি।

মসিগী শিংনরকপা অসি সী পি আই (এম) না মায়োক্লনবা লেপ্লে। চহী চান্মা শুবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা অসিনা থৌনা ফগৎহন্নবগী থবকসু তৌরগনি অমসুং ঐখোয়গী অশোনবশিং মেনখৎনবা থৌদোক অমা ওইরগনি অমসুং কম্যুনিষ্ট ঈহৌনা পাঙ্গল কনবদা ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনগী মথং মনাও ঙাক্কনি অমসুং মীওৎ-মীনৈ লোইশিনবগী মায়কৈদা চংশিনবা অনীমক্তা মরু ওইবা ওইরগনি। হাসরাট মৌলাননা শেমখিবা খোল্লাউ অমসুং ভগৎ সিংহনা ওমোর ওইহল্লম্লবা - ইন কিলব জিন্দাবাদ - অসি হৌজিক লৈরিবা কম্যুনেল নেসনেলিষ্ট জিঙ্গোইজম মায়োক্লনবা বেঙ্গুল খোংলগা কৌবনি। অপূনবা ইন্দিয়ানা মায় পাক্কনি। পিপলস দেমোক্রেসি শাগৎপগী ষ্ট্রগলশিং অমসুং সোসিএলিজমদা চংশিনবা অসি মরা চেৎশিনগনি। ●


ꯑꯍꯟꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা



মতম কুইনা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপ অমসুং ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী মতম শাংনা ঐখোয়গী ইরক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপকী হান্নগী পাউতাকলোই অমসুং ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী থৌমীসু ওইবিরম্বা **লাইশ্রম বীরচন্দ্রা** লৈফম উরিপোক পোলেম লৈকায়দা লৈবনা মনুং মতম চাদনা নুংশিরবা মরুপ-মপাং অমদি ইমুং-মনুং পূম্নমকপু থাদোকপীরমদুনা তাং ২৫-১২-২০১৯, পোইনুগী ২৯নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মপুগী খুয়াদা তিনখ্রে।

লাইশ্রম বীরচন্দ্রানা লৈখিদবদা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপকী কছার ময়ায় লোইশঙ, জিরিবাম পানা অমসুং তোঙান তোঙানবা কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপ মশা শঙশিংগী লাইনিংলোইশিং অমসুং ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচরগী থৌমীশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হিরি কোনবগী থৌরমশিং তোঙান তোঙানবা নুমিৎশিংদা পাঙথোক্লখি। লোয়ননা থৌরম অসিবু শরুক য়াবীরনবা এল এস টি কে অমসুং এফ য়ু এস সীগী মফমদা নোল্লুকচরি।

**Sd/- Oinam Menjor Khuman**
Luchingpurel, Laiyingthou Sanamahi Thougal Kanglup
Shanglen, Imphal
HL-P/5845/3



**INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)**
Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank
GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684

**Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-**

1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/ Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.

**N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)**

*Please visit to the IIBIT Office Kakching*

*Please Contact : IIBIT, Kakching Branch*
**# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918**

HL-P/5898/18-31dec 2019 & 1-16 jan 2020



**TODAY** **TODAY**

**BUMPER HOUSIE DRAW**

DATE: 3 JAN., 2020

In Aid of: RDO
Singjamei, Imphal
Regd. No. 644/SR/IW/2008

TIME : 6:00 PM

Ticket Rate ₹ 1300/-



1st Housefull: Royal Enfiled

2nd Housefull: ₹ 1 LAKH

3rd Housefull: ₹ 70,000/- THOUSAND



4th Housefull: Activa 5G

2 TICKET Q-10 ₹ 30,000/- THOUSAND

MINI BUMPER
TICKET RATE ₹ 100/-
PRIZES : Rs.12,000/-

MINI BUMPER
TICKET RATE:Rs.500/-
1st 2nd 3rd 4th



HL-P/5844/3
VENUE: SINGJAMEI THONGKHONG COMMUNITY HALL



**ANGELS' COACHING CENTRE**
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 | 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 | 4:30 pm to 7:30 pm

MATRIC TOPPERS OF 2019




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

**WINTER VACATION SPECIAL CAMP**
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

| Date | Sub. |
|---|---|
| 13/01/20 | English |
| 15/01/20 | S. Science |
| 18/01/20 | Maths |
| 20/01/20 | Science |
| 22/01/20 | Adl. Sub. |
| 24/01/20 | MIL |

Last date of Form Submission 31/12/2019

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01